হিরো আই লীগ ২০১৮-১৯

# নেরোকা এফ সীনা ইন্দিয়ন এরোসপু মায়থীবা পীরবসু ৫শুবা পোজিসন্দা লেঙদনা লৈরি



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০১ (ঐচএন এস)ঃ ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা হিরো আই লীগকী লীগ রাউন্দগী মেচ ওইনা ঙসি ইন্দিয়ন এরোসনা য়ূম্বু ওইদুনা ওদিষাগী ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গ ষ্টেদিয়মদা ঙসি নুংথিল পুং ২.০২ তাবদা শান্নখিবা মেচতা নেরোকা এফ সীনা মায় পাক্লবসু পোইন্ট টেবলদা ৫শুবা মফমদা লেঙদনা লৈরি।

লৈবাক অসিগী ফুটবোল ক্লব ১১না শরুক য়াদুনা তোঙান তোঙানবা কাঙলূপ খায়দোক্তুনা পাঙথোক্লিবা হিরো আই লীগ ২০১৮-১৯গী ওইনা নেরোকা এফ সীগা য়ূম্বু ইন্দিয়ন এরোসকা লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা মীৎকুপ্তুগী হৌনা টিম অনীনা পোইন্ট ৩ ফংনবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি।

অহানবা হাফকী ৩৪শুবা মিনটতা ইন্দিয়ন এরোসকী টিমদা য়াওরিবা মণিপুরী মচা লিন্থোইঙানবা মীতৈনা য়েৎথংবা মায়কৈরোমদগী ক্রোস তৌদুনা পাস তৌরকপা বোল অমা টিম অসিদা য়াওরিবা মণিপুরী মচা বোরিস থাংজম্না পাঞ্জল ওইনা ওন্থোক্তুনা মেচ অদু ইন্দিয়ন এরোসনা অঙনবা মতমদা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। মিনট ৪ কান্নরগা মেচকী ৩৮শুবা মিনটতা নেরোকাগী টিমদা য়াওরিবা জপান মচা কাটসুমি য়ুসানা পাস তৌরকপা বোল অমা টিম অসিগী নাইজেরিয়া মচা ফিলিক্স চিদি ওদিলিনা পাঞ্জল ওইনা ওন্থোক্তুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মেচ অদু পাঞ্জল ১-১দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপগা মেচ অদু মায় পাক্লবগীদমক মায়কৈ অনীদগী পাঞ্জল চন্নবা এটেক কয়া চখনরকখি। মেচকী ৬০শুবা মিনটতা ইন্দিয়ন এরোসকী জর্সি নম্বর ২৫ রোহিট দানুনা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনশিনখি। নেরোকাগী মায়কৈদগীসু মেচকী ৬৮শুবা মিনটতা কাটসুমি য়ুসাগী হেদ্দিংনা ইন্দিয়ন এরোসকী মাঙজিল থারিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু টিম অনীনা পাঞ্জল ২-২দা লৈখি। মেচকী ৮৭শুবা মিনটতা ইন্দিয়ন এরোসকী দি বোক্স তম্না পুশিল্লকপা বোল অমা ইন্দিয়ন এরোসকী মায়কৈদগী হেন্দ বোল তাবদগী রেফ্রিনা পেনালটি কিক কাওনবগী অয়াবা পীখি। পেনালটি কিক অদু নেরোকাগী জপান মচা কাটসুমিনা পাঞ্জল ওইনা ওন্থোক্তুনা মেচ অদু নেরোকানা পাঞ্জল ৩-২দা মায় পাকখি।

| Club | P | W | D | L | GF | GA | GD | Pts. |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. Chennai City | 14 | 9 | 3 | 2 | 31 | 18 | 13 | 30 |
| 2. Churchill Brothers | 15 | 8 | 5 | 2 | 27 | 14 | 13 | 29 |
| 3. Real Kashmir | 15 | 8 | 5 | 2 | 18 | 8 | 10 | 29 |
| 4. East Bengal | 13 | 8 | 1 | 4 | 23 | 15 | 8 | 25 |
| *5. Neroca* | *15* | *7* | *4* | *4* | *20* | *15* | *5* | *25* |
| 6. Mohun Bagan | 15 | 6 | 4 | 5 | 19 | 18 | 1 | 22 |
| 7. Aizawal FC | 15 | 3 | 5 | 7 | 16 | 22 | -6 | 14 |
| 8. Minerva | 15 | 3 | 5 | 7 | 7 | 13 | -6 | 14 |
| 9. Indian Arrows | 15 | 4 | 1 | 10 | 11 | 21 | -10 | 13 |
| 9. Gokulam | 14 | 2 | 6 | 6 | 19 | 24 | -5 | 12 |
| 11. Shillong Lajong | 14 | 2 | 1 | 11 | 14 | 37 | -23 | 7 |

৩৩শুবা সব জুনিয়র ষ্টেট আর্চরি চেম্পিয়নশিপ ২০১৮-১৯ লোইশিনখ্রে

# অর্ৱিন লাইশ্রম্না পোইন্ট ৬৭০ ফংদুনা নুপাগী জুনিয়র কম্পাউন্দগী ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০১ (ঐচএনএস)ঃ খা মণিপুর আর্চরি ক্লব লাংমৈদোংনা শীন্দুনা জন্যুৱারী ৩০দগী হৌদুনা মণিপুর আর্চরি এসোসিএসন (এম এ এ) গী মীৎয়েং মখাদা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবদা লৈবা লাংমৈদোংগী শান্নবুংদা চখরকপা ৩৩শুবা সব জুনিয়র (ইন্দিয়ন রাউন্দ/রিকর্ভ এন্দ কম্পাউন্দ) ষ্টেট আর্চরি চেম্পিয়নশিপ ২০১৮-১৯ লোইশিনখিবগা লোয়ননা জুনিয়র বোইজকী কম্পাউন্দ ইভেন্ট ৫০ + ৫০ মিটরদা ভি এ এগী অর্ৱিন লাইশ্রম্না পোইন্ট ৬৭০ ফংদুনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী নুপা আর্চর ৭২ অমসুং নুপী আর্চর ২৪ পূন্না আর্চর শান্নরোয় ৯৬না শরুক য়াদুনা চখরকপা ৩৩শুবা সব জুনিয়র (ইন্দিয়ন রাউন্দ/রিকর্ভ এন্দ কম্পাউন্দ) ষ্টেট আর্চরি চেম্পিয়নশিপ ২০১৮-১৯ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা ককচীং এ সীগী এম এল এ ৱাই সুরচন্দ্র, হিয়াংলম এ সীগী এম এল এসু ওইরিবা মনিদকোগী চেয়রমেন ডা. রাধেশ্যাম য়ুম্নাম, মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী দেপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রো, য়াইস্কুল এ সীগী এম এল এ টি ঐচ সৈত্যব্রত অমসুং মণিপুর আর্চরি এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ বিজেনকুমার শর্ম্মনা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

চেম্পিয়নশিপ অসি লোইশিনবগী নুপীগী সব জুনিয়র কম্পাউন্দ ৫০+



৫০ মিটর ইভেন্টতা ভি এ এগী সুচিত্রা টিনা পোইন্ট ৬৬৬ ফংদুনা গোল্ড, এ সী ঈগী এল দুলিনানা পোইন্ট ৬৬১ ফংদুনা সিলভর অমসুং সাই আর সীগী এল মোনিকানা পোইন্ট ৬৫৭ ফংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

নুপামচাগী জুনিয়র কম্পাউন্দগী ৫০ + ৫০ মিটর ইভেন্টতা ভি এ এগী অরুন লাইশ্রম্না পোইন্ট ৬৭০ ফংদুনা গোল্ড, এন এস এগী এন মালেমঙানবনা পোইন্ট ৬৫৭ ফংদুনা সিলভর অমসুং য়ু এ সীগী আর কে প্রিয়োব্রত্তনা পোইন্ট ৬৪৪ ফংদুনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

নুপীমচাগী সব জুনিয়র রিকর্ভ ৬০ + ৬০ মিটর ইভেন্টতা এন এস এগী ৱাই অনুপমানা পোইন্ট ৬২৪ ফংদুনা গোল্ড, সাই আর সীগী জি লানগুইলুনা পোইন্ট ৬১৩ ফংদুনা সিলভর অমসুং সাই আর সীগী কে প্রামেশ্বরিনা পোইন্ট ৬০৬ ফংদুনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

নুপামচাগী সব জুনিয়র রিকর্ভ ৬০ + ৬০ মিটর ইভেন্টতা এন এস এগী এ কে অমরজিৎনা পোইন্ট ৪০ ফংদুনা গোল্ড, সাই আর সীগী ঈ রোবিনসন্না পোইন্ট ৬২৮ ফংদুনা সিলভর অমসুং এম এস এগী বোইপু বাইটেনা পোইন্ট ৬২৫ ফংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী অরোইবা ইভেন্টকী নুপামচাগী সব জুনিয়র কম্পাউন্দ টিমদা ভি এ এগী অর্ৱিন লাইশ্রম, ও হেনরি অমদি জোনসন লৈচোমগী জুরানা পোইন্ট ১৯০১ ফংদুনা গোল্ড, এ সী ঈগী বিবেকানন্দ কোন্সম, এন দিপক অমদি কে পারি তোম্বগী জুরানা পোইন্ট ১৭৩৩ ফংদুনা সিলভর অমসুং পি সীগী নিক পোৎশংবম, ভি ভিক্টর অমদি আর কে পিঙ্কিস্নানা পোইন্ট ১৫২৩ ফংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

মকোক মথং তাখ্রবা শান্নরোয় অমদি টিমশিংদা লোইশিনবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা দাইজমেম্বরশিংনা মেদল সার্টিফিকেট অমদি মনানচিংবা খূৎশিন্নখি।

২শুবা এস ঐচ মনি শর্ম্মা মেমোরিএল থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯

# আই এফ এফ লম্ফেলনা এম ৱাই সী মহারবি মায়থীবা পীখ্রে, ৱাই য়ু সী ইরোম মৈজ্রাও অমদি কে ৱাই সী খুরখুল দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০১ (ঐচএনএস)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) গী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন (আই দব্লিয়ু দি এফ এ) না শীন্দুনা পাৎশোই পার্ট টুগী পময়াল গ্রাউন্দদা চখরিবা ২শুবা এস ঐচ মনি শর্ম্ম মেমোরিএল থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা আই এফ এফ লম্ফেলনা এম ৱাই সী মহারবি মায়থীবা পীখ্রে, ৱাই য়ু সী ইরোম মৈজ্রাও অমদি কে ৱাই সী খুরখুল দ্রো চৎখ্রে।



টিম ১২না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা চখরিবা ২শুবা এস ঐচ মনি শর্ম্ম মেমোরিএল থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী গ্রুপ বিগী ৭শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১২.১৫ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা আই এফ এ লম্ফেল অমসুং এম ৱাই সী মহারবি লম্বা তৌনখি।

মেচ অদু মায়কৈ অনীদগী অহানবা হাফতগী হৌনা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী তঙ্খাই চল্লকপা মীৎকুপ ফাওবদা টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নরকখিবনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈনখি। মেচকী ২৬শুবা মিনটতা আই এফ এগী জর্সি নম্বর ১২ গোনসিনরৈ গোনমৈনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা আই এফ এনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

এম ৱাই সীগী মায়কৈদগীসু আই এফ এনা মাঙজিল থানা চৎলিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা হোৎনরকখি। অদুবু মেচকী ৩৭শুবা মিনটতা অমুক আই এফ এগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ২০ হামবোই সামপারনা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনশিন্দুনা মেচ অদু আই এফ এনা পাঞ্জল ২-০দা অমুক লৈখি। এম ৱাই সীগী মায়কৈদগী আই এফ এনা মাঙজিল থানা চৎলিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্নবা এটেক কয়া চখরবসু অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু আই এফ এনা পাঞ্জল ২-০দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী হৌনা এম ৱাই সীনা অহানবা হাফতা শান্নখিবা মওংদগী হেন্না ফজনা শান্নরকখি। অদুবু আই এফ এগী মায়কৈদগী মেচ অদু লাকশিন্দুনা শান্নরকখিবনা এম ৱাই সীগী এটেকশিং অদু অরেম্বা তাহনখি। মেচকী ৪৯শুবা মিনটতা এম ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ১০ কৃষ্ণমোহন্না আই এফ এগী মায়কৈদা ফাওল তারুবদগী রেফ্রিনা য়েলো কার্দ পীখি। মেচকী ৬৮শুবা মিনটতা অমুক আই এফ এগী জর্সি নম্বর ৮ ভি দি রেংলেঙমনা এন ৱাই সীগী মায়কৈদগী চখরকপা এটেক অমা দিফেন্দ তৌনবা হোৎনবদা রেকলেস ক্রোসিংগীদমক রেফ্রিনা য়েলো কার্দ পীখি।

অনীশুবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমগী অনীশুবা মিনটতা আই এফ এগী শান্নরোয় গোংসিনরৈ গোনমৈনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চনশিল্লগা মেচ অদু আই এফ এ লম্ফেলনা পাঞ্জল ৩-০দা লৈদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা চাউনা পুশিনখি। এম ৱাই সীগী শান্নরোয়শিংনা আই এফ এনা গোল অহুম মাঙজিল থানা চৎলবসু মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা নীংহন্নবা লৈতনা শান্নরকখিবা মেচ অদু পাঞ্জল ওইহনবা ঙমদবদগী মেচ অদু আই এফ এনা এম ৱাই সীবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ বিগী লীগ রাউন্দগী ৮শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৪০ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা ৱাই য়ু সী ইরোম মৈজ্রাও অমসুং কে ৱাই সী খুরখুল শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা মীৎকুপ্তুগী লোইশিল্লকপা ফাওবদা মায়কৈ অনীমক্তগী এটেক কয়া চখনরবসু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙম্নদবদগী মেচ অদু পাঞ্জল ০-০দা দ্রো চৎখি।

৫শুবা কাঙ্গুই ইন্টর ৱার্দ ৱাইস টুর্নামেন্ট ২০১৯

# ৱার্দ নম্বর ৱান-বি অমসুং ৱার্দ নম্বর -১৩ এনা মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০১ (ঐচএন এস)ঃ কাংপোকপী য়ুথ য়ুনিয়ন্না শীন্দুনা কাংপোকপী দি ঐচ কিয়ু এসতা লৈবা এম থোমাস গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ১৫শুবা কাঙ্গুই ইন্টর ৱার্দ ৱাইস টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা ৱার্দ নম্বর ৱান-বি অমসুং ৱার্দ নম্বর -১৩ এনা মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

কাঙ্গুইগী তোঙান তোঙানবা ৱার্দকী টিমশিংনা শরুক য়াদুনা চখরিবা ১৫শুবা কাঙ্গুই ইন্টর ৱার্দ ৱাইস টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ৩শুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ৱার্দ নম্বর ১-বিনা ৱার্দ নম্বর ২-বিবু পেনালটিদা পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা অহুমশুবা টিম ওইখি।

কে আই দব্লিয়ু এ টি ২০১৯গী মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা ৱার্দ নম্বর ১৩-এ অমসুং ৱার্দ নম্বর ১৭ লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা টিম অনীনা পাঞ্জল ২/২দা টাই ব্রেক তাদুনা পেনালটি কাওনখি। পেনালটি কাওনবদা ৱার্দ নম্বর - ১৩ এনা ৱার্দ নম্বর ১৭পু পাঞ্জল ৬-৫দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল চঙখি।

কেআইদব্লিয়ুএটি২০১৯গী নুপাগী বোল্লিবোলগী সেমী ফাইনেল মেচশিংদা ৱার্দনম্বর ৩না ৱার্দনম্বর ১০বু মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখ্রে।

৫শুবা ঐচ পিশক মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল

# এন সী ৱাই দব্লিয়ু ও, য়ু কে সী সী এল, কে আর এফ সী, ক্রেসা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০১ (ঐচএন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মগী শান্নবুংদা চখরিবা মঙাশুবা ঐচ পিশক মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮ ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা এন সী ৱাই দব্লিয়ু ও, য়ু কে সী সী এল, কে আর এফ সী অমদি ক্রেসা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

টিম ১৫না কাঙলূপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা চখরিবা মঙাশুবা ঐচ পিশক মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী ৪৬শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ১১.৩০ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা অমোফা এ মোইরাং অমসুং জি দি সী থিনুঙ্গৈ শান্নগদবা মেচ অদু অমোফা এ মতম চানা লাক্তবদগী জি দি সী থিনুঙ্গৈনা ৱাক ওভর ফংদুনা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী অরোইবা অমদি ৪৭শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দগী নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদা ৱাই দব্লিয়ু ও বিষ্ণুপুর অমসুং এলসা নরান সৈনা লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা এলসানা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাখি। ৱাই দব্লিয়ু ওগী মায়কৈদগী এলসাগী মাঙজিল থারিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরবসু এলসাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমা চনশিনখিবা অদুনা মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা এলসানা ৱাই দব্লিয়ু ওবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি। লীগ রাউন্দগী মেচশিং লোইশিনখিবগা লোয়ননা এন সী ৱাই দব্লিয়ু ও, য়ু কে সী সী এল, কে আর এফ সী, ক্রেসা লীগ টেবলগী মতুং ইন্না সেমী ফাইনেল চঙখি।

অনীশুবা হৈবোক টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯

# রেজ নাগামপালনা এস য়ু শগোলবন্দবু অমসুং সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা টি সী এম দি সী থোংজুবু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০১ (ঐচ এন এস)ঃ মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন (এম সী এ) গী মখাদা লংথবাল স্পোর্টিং ক্লব (এল এস সী) লংথবালনা শীন্দুনা লংথবাল মন্ত্রিখোং মখা লৈকায়দা লৈবা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথো-ক্লিবা অনীশুবা হৈবোক টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা রেজ নাগামপালনা এস য়ু শগোলবন্দবু অমসুং সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা টি সী এম দি সী থোংজুবু মায়থীবা পীখ্রে।

টিম ২০না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা হৈবোক টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ১৮শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী টি সী এম দি সী থোংজু অমসুং সাইক্লোন থাংমৈবন্দ শান্নখি।

মেচ অদু টি সী এম দি সীনা টোস ঙমদুনা বোল্লিং খনখি। অদুগা সাইক্লোন্না বেট্টিং তৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ওভর ২০দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৪০ লৌখি। সাইক্লোনগী হোমেন্দ্রোনা বোল ৩৪দা রন ৫২,



নিরসিংনা বোল ১৩দা রন ২১ অমসুং রোনাল্ডনা বোল ২২দা রন ২০ লৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা টি সী এম দি সীগী বিবেকানন্দনা ওভর ৩ লংবদা ৱিকেট ২, আর্বিন্দনা ওভর ৩ লংবদা ৱিকেট ১ অমসুং ঙান্থোইনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ১ লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা টি সী এম দি সী থোংজুনা ওভর ১৬.২দা ৱিকেট লোইনা তুরগা শুপ্নতগী রন ৫৫ লৌদুনা মেচ অদু সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা রন ৮৫দা মায় পাকখি। টি সী এম দি সীগী সৈতিন্দ্রনা বোল ১৮দা রন ১৫ অমসুং রোবার্টসন্না বোল ১৪দা রন ১১ লৌখি। অনীশুবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা সাইক্লোনগী রাজুনা ওভর ৩ লংবদা ৱিকেট ২, ৱিল্লিয়মনা ওভর ৭.৪ লংবদা ৱিকেট ২ অমসুং সুরজনা ওভর ৩ লংবদা ৱিকেট ২ লৌখি।

ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচ অদুদা বোল ৩৪দা রন ৫২ লৌবা ঙমখিবা সাইক্লোনগী হোমেন্দ্রোনা মেন ওফ দি মেচ তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী ১৯শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিলগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী এস য়ু শগোলবন্দ অমসুং রেজ নাগামপাল শান্নখি। মেচ অদু এস য়ুনা টোস ঙমদুনা বোল্লিং তৌখি। অদুগা রেজনা বেট্টিং তৌখি।

অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা রেজনা ওভর ২০দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৬৫ লৌখি। রেজকী গুনিরামনা বোল ২৫দা রন ৪৫, টেনিসন্না বোল ৪৬তা রন ৪৩ অমসুং মহেসনা বোল ১০দা রন ১৯ লৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা এস য়ুগী অথোইনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ৩ অমসুং প্রামেশ্বরনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ২ লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা এস য়ুনা ওভর ১৯দা ৱিকেট লোইনা তুরগা শুপ্নতগী রন ৮৫ লৌদুনা মেচ অদু রেজ নাগামপালনা রন ৮০দা মায় পাকখি। রেজকী দিজেন্না বোল ৩৬তা রন ৩০, দিপুনা বোল ৮দা রন ১১ অমসুং প্রামেশ্বরনা বোল ১২দা রন ১১ লৌখি। অনীশুবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা রেজকী সঞ্জিৎনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ৩, সুপরজিৎনা ওভর ৪দা ৱিকেট ২ অমসুং নাওবনা ওভর ৩দা ৱিকেট ২ লৌখি। রেজকী গুনিরামনা বোল ২৫দা রন ৪৫ লৌদুনা মেন ওফ দি মেচ তাখি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com